# লমদম অসিগী ওইনা চাওথোকচনীংঙাই ওইরবা তাঙলবা কেমেরামেন ইরোম মায়পাক

-নানি

পাম্মুই হায়না শোঞ্জবসি মঙাইরে, করিদি পাম্বে লৈরি। তাইবঙ মপুনা তাইবঙ মীরমলেনসিদা শিন্থারক্তুনা থারকখিবনি। মাগী মতম হায়দু লোইরবদা মপু মানা অমুক লৌশিনবীখিবনি। ইরোম মায়পাক মহাক্না পামজবা শিনফম অদুদা তশেংনা মায় পাকখ্রবা মীশক অমনি। অদুবু মহাক্না মতম চাদনা চৎখিবা অসিমক্তি মণিপুরী ফিল্মগী মায়কৈদা ইহাঙ হাঙহৌরবা অমগুম্না লৈহৌরে। অহানবমক্তদা মহাক্কী থৱায়না মপু মাগী নাক্তা ঈংনা-চিক্না মতম চূপ্পগী ওইনা লৈহনবীনবা মপুদা থৌনিজরি।

ফিল্ম অমগী ফজবসি অফবা কেমেরামেন অমনা লোকেসনদা শুটিংগী কেমেরা ওন তৌদ্রিঙৈগী মতমদা মহাক্কী ৱাখলগী মীৎতা উখিবা নুংগী ওইবা ফজরোল অদুনা হয়েং ফিল্মদা মমি তারক্লবা মতম অদুদা ওইগদৌরিবনি। হায়রিবা অসি ৱা ওইনা হায়বদদি ইরায় লায়বা, অদুগা থবক ওইনা পাঙথোকপদদি খূৎ হেক্তা চৎলু য়াদবা অমনি। মায়পাক ঐগী ফিল্ম খরদা পূনমিন্নখ্রে। খরা ইতোপ তোপ্পা মীৎয়েং অমা মঙোন্দা লৈ হায়বসিমদি নাখে শেংনা হায়দবা য়ারক্তে। ফিল্মগী স্ক্রিপ্টসি শুটিংগী খন্নরকপা মতমদা সেদ্যুল্ড লৌদ্রিঙৈগী মতমদা কেমেরামেনগী স্ক্রিপ্ট অমা তোঙান্না কোপি অমা মঙোন্দা পীদবা য়াদে। স্ক্রিপ্ট অদু মহাক্না য়াম্না নিংথিনা পাগনি। ৱারীগী তাঙ্কক, থৌদোক ৱাথোক, ঙাঙনরিবা দাইলোগ, সিচুয়েসন, সিক্কেন্স মহাক লোইনমক চিনফা পুরগা শুটিংগী লোকেসন্দা লাক্কনি। লোকেসন অদুদা অমুক মহাক্না উরকপা/শাগৎচরকপা কয়া অদু চুশিন্ননা করম্না কেমেরা থাগদগে হায়বসি দাইরেক্টর অদুগা মমুৎ তানা খন্নগনি। শুটিং মফমদা হেক য়ৌরকপগা নমগদৌরিবা সিন অদুগা লোয়ননা স্ক্রিপ্ট অদু হাংদোক্তুনা মুন্না খনগনি। দাইরেক্টরগা ৱা তানগনি। মহাক্না পাম্বসু দাইরেক্টরদা ফোঙদোক্কনি। অনীমক্কী মান্নবা ৱাখল্লোন অমা লাক্লবা মতমদা শুটিং হৌনবা এরেঞ্জ তৌগনি। কেমেরাগী ফ্রেম অমা ইরায়



লায়না হেক্তা লৌদে। ফ্রেম অদুগী মনুংদা কেরেক্টর অদুনা চঙলকত্রিঙৈ, লৈরিঙৈ, এক্ট তৌরিঙৈদা বেকগ্রাউন্দদা করি করি লৈফম থোকপগে হায়বসি মহাক্তি কলচরগী ওইবা নাপচৈ থাদুনা চেকশিন্না য়েংই। য়াম্না চেকশিল্লি, অদুনা মহাক্না নম্বা ফিল্মশিং অসি হেক্তা তোঙান্না থোরকই। মহাক সুপ্নগী কেমেরামেন অমা ওইবগী কেমেরাগী মমি তানবগী ৱাখলদগী হেন্দোক্তুনা দাইরেক্টর অমা ওইবগী মীৎয়েং ফাওবা মপূং ফানা য়াওখিবা য়াম্না ৱাখল লৈতানা খনবা ঙম্বা চঙখোনবা মীশক অমা ওইখি। মহাক্না থবক তৌবা মতমদা মহাক্কা লোয়নবা পূম্নমকশিংদা য়াম্না সোফ্ট ওইনা ৱা হায়গনি, কনা অমত্তবু ৱারৌগদবা ৱাহৈ অমা ফাওবা মাগী



মচিন্দগী থোকখিদে। মহাক্তি আর্টিষ্ট খুদিংমকশিংবু য়াম্না convincingly explain তৌবসু য়াম্না হৈবা মীশক অমা ওইখি। মায়পাক্তি, ফিল্ম নম্বীয়ু হায়না হায়রুবদা হেক্তা য়াগন্দে, স্ক্রিপ্ট হান্না মুন্না পাগনি, অদুগা মহাক্কী ওইবা ৱারেপ অদু কোন্না হায়গনি। থবক অমা তৌবদা য়াম্না সেরিয়স ওইবা মীশক অমনি। তশেংনা হায়রবদা মহাক মশাগী প্রোফেসনবু মশক মুন্না খঙখিবা অমদি তৌগদবা থবক খুদিংমক খঙলগা তৌখিবা মীশক অমা ওইখি। কেমেরাগী ৱা খক্তা নত্তনা মহাক মমিণপুরী কলচরদা তশেংনা ঙাওজবা মীশক অমসু ওইখি। অদুনা কলাক্ষেত্র মণিপুরগী য়াম্না ইচং থৌবা মেম্বর অমসু ওইরমখি। লৈখিদ্রবা লমদমসিগী থিএটরগী লাইগুল্লবা ওজা হৈস্নাম কহ্নাইলালগা য়াম্না তোয়না লোয়নবা অমদি ৱা খন্নবা খুদিংদা য়াওখিবা মীশক অমসু ওইখি। ঈশৈ য়াম্না পামজৈ, মহাক ঈশৈ ময়েক্তা ঙাওজৈ। ফজবা ঈশৈ ময়েক মহাক খনবা য়াম্না হৈ। ঐগী ঈশৈ ময়েক অনীখক মহাক্না য়াম্না খোইদানা অদুম পাদুনা লৈখি। সনাতোন শর্ম্মানা শকখিবা ঐগী ঈশৈ ময়েক “লৈ অমগী পুন্সিদা, য়েক্না শাহুম লাংদনা, মনিং তম্না শাৎখিবা করম্বা মীকুপ য়াওবগে?” হায়বা ঈশৈ ময়েক অসি মহাক্না য়াম্না পামজখি। অমনা, নঙতনা হেল্লি হায়বা ফিল্ম অদুদা য়াওবা ঈশৈ ময়েক অমা মহাক্না য়াম্না পামজখি। ৱাহৈ খুদিং পুথোক্তুনা মহাক্কী ৱাখল্লোন অদু ঐঙোন্দা ফোঙদোক্লম্মী, “নোকখিদরা ঐবু মহৌশাগুম, অৱাবসে লোৎতুনা থম্মোয়দা, ৱাদবা শাদুনা মীমাঙদা, লৈখিদরা মমল মীনোক্কী, লৈখিদরা অর্থ পুন্সিগী; … কংলবা উপালগী উনানা কেল্লক্লি লম্বীগী চিদাইদা, মল্লবা পুন্সিগী ৱারীনা, হেল্লক্লি মৈচাক্তি অহোয়ননা, থম্মোয়দা মচেৎ তানবা…” হায়বা ওকেন অমাকচমনা ম্যুজিক দিরেক্সন অমদি দিরেক্সন পীবা ফিল্ম অদুদা কে দিনেশনা শকখিবা ঈশৈ অদুনি।

ঐনা সুম উবদা ময়াম মীরক তিল্লগা মহাক্না শাউবসি অমুক্তা উখিদ্রি। মহাক্কী ঈং-তপ্পগী মতৌ অদুনা মহাক্কী থোইদোকপা মতিক ময়াই হেন্না হাপকৎহল্লি। য়াম্না চঙখোনবা মীশক অমা ওইখিবা, চুম্নগী মমি ফজনা তাহনবা অদুখক নত্তবদা মঙোন্দা ক্রিএটিভ ওইবা ভিজন অমা হেক মাগী মমিত্তা উদ্রিমখে কেমেরা ওন তৌবা মীশক অমা নত্তে। ইচম চম্না ফোটো অমা নম্বসিসু মহাক্তি নমদ্রিঙৈদা য়াম্না মুন্না য়েংলগা শুট লৌই। মহাক্না নম্বা ফোটো খুদিংমক মরোল লোলহনবা ঙম্বগী ময়াই অমা চেল্লি। মসিনি মঙোন্দা লৈরিবা থোইদোকপা ময়াম্না তান্নবা ফংদবা অমা। তশেংনা মহাক ফোটোগ্রাফিদা ঙাওজবা অমা ওইখি। অসুম্না ফিল্ম লোমদা লাকপা মতমদা মহাক্কী শুট খুদিংমক তরাই ওইদবা, মমল লৈবা ওইরকখিবা। লমদম অসিগী মমিং লৈরবা ফিল্ম মেকর অরিবম শ্যাম শর্ম্মানা মহাক্কী তৌবা ঙম্বা অমদি মহাক্কী ৱাখল্লোন অসি মুন্না খঙখি, অদুনা মহাকপু থাদোকখিদে। মহাক্কী মনা মথুম ফংলকখিবা ফিল্মশিং অয়াম্বা মায়পাকনা নমখি। মমিং লৈবা ফিল্ম খরা হায়বা তারবদি, The Monpas of Arunachal (2001) হায়বা ফিল্ম অসি নম্বদা বেষ্ট কেমেরামেনগী নেসনল এৱার্দ ফংখি। ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ খরা অমসু ফংখ্রে। লোয়ননা এন ঈ টি ভি চোইস এৱার্দ, এস এস এস মনিফা এৱার্দ অমদি অতোপ্পা য়াম্না শিংথানীংঙাই ওইবা এৱার্দ কয়া অমসু মহাক্না ফংবা ঙমখি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১৩শুবা ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিবেলগী মনা য়েন্থোকপদা মহাক্কী ফিল্ম নোংফাদোক লাকপা অতিথি হায়বা অরিবম শ্যাম শর্ম্মানা দিরেক্সন পীবা ফিল্ম অসিদা “Best Cinematographer” গী মনা মহাক্না ফংখিবনি। শ্যাম শর্ম্মগী এৱার্দ ফংখিবা ফিল্ম কয়া অমগী মহাক্না সিনেমাটোগ্রাফর ওইখি। চাওরাক্না শ্যাম শর্ম্মগী ফিল্ম ২০মুক্তা সিনেমাটোগ্রাফর ওইনা পূন্না ৱর্ক তৌমিন্নখি। ওকেন অমাকচম, হাওবম পৱনকুমার, রোনে হাওবম, বি সঞ্জু, বোবি ৱাহেংবম, ও গৌতম, বোবো খুরাইজম, লুকানন্দ ক্ষেত্রিময়ূমনচিংবা ফিল্ম মেকর কয়াগী মমিং লৈরবা অমদি এৱার্দ ফংখ্রবা ফিল্ম কয়াগী সিনেমাটোগ্রাফর ওইনা পূন্না ৱর্ক তৌমিন্নরকখি।

ঙসিদি মহাক্না শুটিং মফমদা ইহান হান্না ঙন্না লাক্লগা তৌগদবা থবক কয়াগী মতাংদা ৱাখল মুন্না খন্দুনা মীনা কৌবা ঙাঙবা তাদনা চেকশিন্না ৱাখল শাগৎচখিবা মীশক অদু অমুক হন্না উবা ফংলরোই। মহাক্কী ফিল্ম কয়াদা মরোল থোক্তবা মমিশিংনা ৱা ঙাঙহল্লম্বা ফজরবা ফিল্ম কয়া অমুক হন্না উবা ফংলরোইদো। মহাক্কা অনৌবা প্রোজেক্টকীদমক ৱারী শানদুনা শুটিং হৌনবা ঙাইদুনা লৈরম্বা কয়া অমসু নীংবা লোইনা কায়নহৌরে। মায়পাক, নহাক চৎলোকো। নহাক্না হনদ্রিঙৈ, ঐখোয়গা পূন্না লৈমিন্নরিঙৈ মতমদা হরাওমিন্নখিবা, নুংঙাইখিবা, অৱাবা কয়াগী ৱারী শানখিবা মীকুপশিং অদুসু অমুক হন্না লাক্লরোই, নীংশিংবা নত্তনা। নহাক্কী থৱায়না মপু মাগী মনাক্তা লেঙদনা লৈবা ওইরসনুকো।



## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৬।০৬।২০২১ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৬.২০ ফাওবা কালেনগী ২৬ নি পাল্লি, মতুং ২৭নি পাল্লনি।

মেষ : হরাওবা, নুংঙাইবা, মরুপ মপাং ফংজবা, অনৌবা ৱাখল থোকপা অমদি নথক থোংবনা চানবীবদগী লন ফংবা লৈ। নরলদা মীতাা খরসু লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : ৱাখল লাংগনু অমদি ঐ মঙাইরে খন্না চৎকনু-মদুনা কোক শাবা অমদি চাদিং হেনবা লাক্কনি। মী লোয়নবা হৈরদি নুংঙাইবা অমদি মীচং ৱাৎলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী চেৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিথুন : অশাওবা অমদি ফিংববু ফাথরদি মাঙগদবা মরম লৈরোই। খূৎ চাওবগী অমদি অশা চাওবগী কান্নবা ফংগনি, হকচাং নুংঙাইগনি, মরুপ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, লাইবক ফবা নুমিৎনি অমদি থবক শিন্দোকপা হৈগনি। অদুবু চয়েৎনবা অমদি নথক থোংবনা চানবীবা ৱাৎপদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

সিংহ : থবক থৌরমদা অয়েৎপা লৈরম্বসু ইচং থৌবনা লায়না পাংগনি। মী লোয়নবগী কান্নবসু ফংজৌ হায়বা লৈ। নিংথিনা খঙনদবা মীগী ৱাদৈ মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

কন্যা : শক-চু থোকপা ৱাৎকনি অমদি হোয়া ফবা য়াদে। নোল্লুক্না চৎপা অমদি নীংবদুমক পাংগনি খন্দবনা মাঙগদবদগী কনবা ঙমগনি। থৌনাদি লৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

তুলা : নীংবা থুংগনি, পাংনিংবা থবক পাংগনি অমদি অফবা থবক্তা শেল থাদবা অশিংবা তাগনি। হন্থবা লোয়নবনা লম ময়েং তাবদি লৈ-লাংতক্নগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : মীৱা লৌদ্রবা অমদি মরোল লোনবা মীদৈ চেকশিঞ্জরদি অকিবা অমদি মহু চাওবনা মাঙহনবা ঙমলোই। য়েৎনবদি ঙমগনি, মরুপ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : হনবা লৈতনা হোৎনবা অমদি অঙম্বগী ৱা তাবতনা মায় পাক্কনি। য়েক্লবনা মাঙহন্নবা শিনবা অমদি ফংবা য়াবা পনবদি লৈখিনি। তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - পুকচেল চাওথোকপা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

মকর : অশাওবনা মাঙজবা, মরুপ্না ইমুং কাইনবা শিনবা, ফংবা য়াবা পনবা অমদি ৱাঙাঙ হৈত্রদি লাইবক থিবা নংবা য়াবা লৈ। তুমিন্না লৈথোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথদ্রদি খৎনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কুম্ব : হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা অমদি পনবা লৈরসু অরং অরাক ফংগনি, য়েক্লবা লাকশিনগনি অমদি অফবা মীচং হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিন : ৱাখল লাংথোকপা পামগনি অমদি নুংঙাইবসু ফংগনি। অরুবা ৱা খন্নবদদি লৌশিং ফুদোকপা ৱাগনি অদুনা মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী হান্নগুম ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## হুইয়েন জোক্স

মপুরোইবা : নঙনা থোংলিবা এঞ্জাংসিবু করিনো গ্যান তাদ্রে, থুমসু থাক্তে, মোরোকসু য়াওদে, লোয়না চল্লে। মতম পুম্নমক্তা মোবাইলদা অদুমক ঙাওদুনা লৈয়ু। এঞ্জাং থোংবদা করি-করি থাক্কনি হায়বা কাউবা মখে।
নুপী : মোই পাবুং নঙ হান্না অমুক্তা মোবাইল য়েংলগা চাক চাবদু লেপ্পু নঙনা এঞ্জাংনি হায়না হৈরগা চারিবদু ঈশিংনি ….!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

পুলিস ওইবা নুপা অমগী য়ূমদা হুরানবশিংনা নুমীদাংদা পোৎচৈ হুরানবা হৌরক্লম্মী।
নুপী : তামো, তামো, থুনা হৌগৎলো য়ূমদা হুরানবশিংনা পোৎচৈ হুরাল্লে।
মপুরোইবা : ঐ য়াম্না তুমনিংলি, তুম্বা থুগায়রক্কনু হৌজিক ঐগী দ্যুটিগী মতম নত্তে…!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মমানা শাউরদুনা হায় : শম অদুক য়াম্না শাংলবা ফাওবা ইবুংঙো করিগীনো নঙনা শম ককত্রিবদুবু ?
মচানুপা : ইমা শম শাংনা খাকপা হায়বসি হৌজিক মতমগী ওইনা ফেসননি।
মমা : নুপা ময়ুমদগী নচননুপী য়েংবা লাক্লম্বদা নঙ ওইনা পাম্মী হায়না হায়রম্বনি নঙ গ্যান তাউ …!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

নাওতোন : বাবা ঐগী দি জে অমা লৈবিয়ু।
মপা : দি জে লৈরুরবদি মীগা অমত্তা তুম্বা য়াররোই নঙনা মদু খোঙবদা।
নাওতোন : ঐ মী তুম্বা য়াদনবা থবক্কা অমত্তা তৌরোই, দি জে খোংলবসু মীনা তুমখ্রবা মতুংদা খোংগে…!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

অঙাওবা নুপা অমনা লাইরিক অমা পায়বা উবদা দোক্টরনা হায় -
দোক্টর : অঙাওবা মদু করিনো?
অঙাওবা : ঐনা ইবা লাইরিকনি, ঐনা অদোমদা য়েংহনগে হায়না পুরকপনি। পেজ ৫০০ পানবা লাইরিকনি।
দোক্টর : পেজ ৫০০ অসিদা করি-করি ইরিবা?
অঙাওবা : অহানবা লমায়দা ‘নিংথৌ অমা শগোল তোংদুনা উমংলোমদা চৎলি হায়না ই। অদুগা অরোইবা লমায়দনা নিংথৌ অদু উমংদা থুংখ্রে হায়না ই।’
দোক্টর : মরক্কী লৈমায় পেজ ৪৯৮ অদুদনা করি ইরিবা ?
অঙাওবা : কুদ্রুক - কুদ্রুক - কুদ্রুক - কুদ্রুক - কুদ্রুক - কুদ্রুক ….
দোক্টর : য়াম্না ফজে ! অদুবু লাইরিক অদুবু কনানা পাদৌরিবনো ?
অঙাওবা : ৱাটসএপতা থাগৎতৌরিবনে, ৱাটসএপতা অঙাওবগী অৱাৎপা লৈতে।


- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

ওজা : তোম্বা ঐনা পীরিবা ৱাহৈ অনীসিগী খেন্নবা করিনো হায়য়ু?
১. মহাক্না কোন ফেংই।
২. মহাক কোন ফেংবা মথৌ তারে।
তোম্বা : অহানবা ৱাহৈ অসিদনা ভর্ব অসি লুহোংদ্রিবা নুপানি। অদুগা অনীশুবা ৱাহৈ পরেং অসিগী ভর্ব অসিনা লুহোংলবা নুপা অমনি।

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title: Red Rose
By: Florence Thoudam
Class: IV Roll: 11 Sec: B
School: Green Tree Academy




Title: COVID-19 Pendamic
By: Konjengbam Arcy
Class: VI Roll No.: 6
School: Diligent Public School



Title: Wearing Mask
By: L. Yoihenba
Class: Roll No.: 22
School: Mangal Kid




Title: Girl
By: L. Samarth
Class: IV Roll No.: 10
School: St. Xavir




Title: Shinchin
By: Ngathem Paikhomba Meetei
Class: VII Sec.: Roll No. 39
School: K.V. Akampat



Title: House and a Young Lady
By: A. Thoi Thoi Chanu
Class: V Sec.: Roll No.
School: Maheilan Education Centre



Title: Banana
By: Nujahad Subhan
Class: 1 Roll No. 16
School: Shilleima English Academy



Title: Landscape
By: P. Memsana
Class: VI Sec: Roll:
School: Maheilen Education Centre



Title: Lotus
By: Salam Roshima
Class: V Sec.: Roll No.
School: Maheilen Education Centre

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।